পূক্লিং খুন্তিন্নবা য়াইপীলেল শকখঙনবা থৌরমগা লোয়ননা ‘ওন্থোকইদা’ পুথোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৪ (ঐচ এন এস) : পূক্লিং খুন্তিন্নবা য়াইপীলেল শকখঙনবা থৌরমগা লোয়ননা ইমা লৈশেম ইনাৎ লোয়শঙনা শিন্দুনা ‘ওন্থোকইদা’ হায়না মীংথোনবা ফম্বাক কুম্মৈ (ড্রামা) পুথোকপগী থৌরম নোংপোক চীংঙু থোং মৈতৈ লাইকোল থলো শিপি লোক সেলোই লংমাই চীং পন্থৌ ইশাই কোনুংদা পাঙথোকখ্রে।

লাইপা লুৱাংনা ইবা অমসুং দিরেক্সন পীবা, ইমা লৈশেম ইনাৎ লোয়শঙনা পুথোকপা ‘ওন্থোকইদা’ মিংথোনবা ফম্বাক লীলা পুথোকপগী থৌরমগী থৌপু মচংদা ডা. থাংজম মুনিন্দ্রো (মৈরিহনবা), মীকোক মীথোইলেলদা লাইফ্রাকপম জয়কুমার (লুহিং পুলেল মৈতৈ) অমসুং মীখললেল অথোইবদা সরাংথেম (ও) থরোঙানবী লৈমা অমদি এলাংবম কংলৈলেল মৈতৈনা ওইখি।

অইবা অমসুং দিরেক্সন পীখিবা লাইপানা হায়খি, ঐ হায়বা ঐগী হৌরকফমগী লৈহাওদা মশক খঙনা হিংবা হায়বসি মৈতৈ ফুরুপ ঐখোয়গী তৌফম থোকপা ইথৌনি। মৈতৈ মীরক মীচিনথি ওইনা হিংলোইসি। ইশাগী লোল, ইশাগী চৎনবী ফিজেৎ ইশামক্কী খোন্থোক লৈ হায়বসি মালেমগী মফম খুদিংদা খঙহনবা হায়বসি, মী ওইরগদি পাঙথোকফম থোকই হায়দুনা ফম্পাক কুম্মৈ, ওন্থোকইদা হায়না মীংথোনবা অসি শাফোংবনি হায়খি।

ফম্বাক কুম্মৈ অসিদা জে নিবালা, পরৈ, পাখংবা, ৱাতেম্বা, য়াংবা, নিংথেম তোমথিননা শক্তম লাংদুনা শরুক য়াখি। ম্যুজিক, কষ্ট্যুম লাইপা লুৱাং অমসুং ৱা ঙাঙবা তমজবশিংদা মমা ভানিসনা, প্রেমিকা, হিরাসনা, কমলা অমসুং সনায়াইমা নি। লাই হরাও শৈশক্তা তোইজম মাংকোল্লে অমদি মহাক্কী মহৈরোয়শিং, লমঙানবী, মিংলেনখোম্বা, হেন্থোইবী, লিক্লাই, লাইজলেল, লংতাইবী, লিক্লু, থাংজহেনবা, পোইরৈ, লৈশেম্বী, চনুরা, মালেমঙানবী, লিপুন, চীংখৈঙানবী, অইংবী, লিন্থোইঙম্বী অমসুং য়াইফহেনবনা শৈশকখি।

[illegible]

ꯏꯝꯐꯥꯜ, ꯑꯦꯞꯔꯤꯜ ꯰꯴ (ꯑꯦꯆ ꯑꯦꯟ ꯑꯦꯁ): [illegible]

লাইগী থৌরম নত্তনা কুম্মৈ হরাও পাঙথোকপীগনু ঃ লূপশিং

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৪ (ঐচ এন এস) : অৱাং সেকমাই অমদি কংলাতোংবীগী এরিয়াদা লৈরিবা মীয়াম্না লাক্লিবা এপ্রিল ৯ শজিবু নোংমা পানবা চৈরাওবা অমদি এপ্রিল ১৩ গৌরা চৈরাওবা নুমিৎ অসিদা মীয়াম্না লাইগী থৌরম নত্তনা কুম্মৈ হরাওগী থৌরম পাঙথোকপীগনু হায়না কোওর্দিনেটিং কম্মিটি অৱাং সেকমাই-কংলাতোংবী কনবা লূপ, অৱাং সেকমাই কনবা নুপী লূপ, সেকমাই সেদ্যুল কাষ্ট দিভলপমেন্ট কম্মিটি অমসুং ভি ভি এফ সেকমাইনা পুন্না খুৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অসিনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা হায়, লাক্কদৌরিবা ১৮ শুবা পার্লিয়ামেন্টরি মীখলদা লৈবাক্কী অৱা-অনা থেংনরিবা মীয়ামগী খন্দুনা ভোট নিয়ম চুন্না পাঙথোক্লবা মীয়াম্না মতেং পাংবীয়ু লোয়ননা মীখলগা মরী লৈননা শেল লৌবা/ য়েনবা, চাকচা-হৈজানবা ভোটকা মরী লৈননা য়ুম য়ুমদা চংদুনা কেম্পেন তৌবা অৱাংসেকমাই অমসুং কংলাতোংবীগী মফমশিংগী ওইনা খুদক্তগী অথিংবা থম্লে হায়রি।

হেরিকোনগী খঙমিন্নসি ইরমদম ক্বিজ কম্পিটিসন পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৪ (ঐচ এন এস) : ইথনো হেরিতেজ কাউন্সিল (হেরিকোন) গী ২২ শুবা মপোক কুমওন মথং থাগী ১৬ তা পাঙথোক্লগনি।

থৌরম অসিগা মরী লৈননা কুমজা ২০১২ দগী লমদমসিগী মশক তাক্লনবা চৎথরকপা খঙমিন্নসি ইরমদম ক্বিজ কম্পিটিসন মথং থাগী ৫ দা ১১রক শুবা ওইনা পাঙথোক্লগনি। চাংদম্নবা অসিদা ক্লাস নাইন্নদগী টুয়েল্ব ফাওবগী মনুংদা লৈবা মহৈরোয়শিংনা শরুক য়াবা য়াগনি। ক্বিজ কম্পিটিসন অসিগী প্রিলিমিনরি রাউন্দ অসি অইবা ওইনা পাঙথোক্কনি। হায়রিবা প্রিলিমিনরি রাউন্দ অসিদগী টিম ৫ খনগৎলগা মে ১৬ তা ফাইনেল রাউন্দ ক্বিজ কম্পিটিসন পাঙথোক্কনি হায়রি। চাংদম্নবা অসিগী অহানবা পোজিসনদা লুপা লিশীং ১২, অনীশুবা পোজিসনদা লুপা লিশীং ১০, অহুমশুবা পোজিসনদা লুপা লিশীং ৮, মরিশুবা পোজিসনদা লুপা লিশীং ৬ অদুগা মঙাশুবা পোজিসনদা লুপা লিশীং ৫ পীগনি।

ক্বিজ কম্পিটিসন অসিগী ফোর্ম কোনুং মমাংদা লৈবা হেরিকোন ওফিস, ক্বাকৈথেলদা লৈবা দেসামগী ওফিস, কিমাক্সকী ওফিস অমদি এস টি ষ্টেফেন হায়র সেকেন্দরি স্কুল হিয়াংথাংদগী ফংগনি। কম্পিটিসন অসিগী অকুপ্পা মরোলগীদমক ৯৬১২৩ ১৮৪৪৫, ৭০০৫৬ ৭৬৪২২ অমদি ৮৪১৫০ ৪৬৩৫৩ দা পাউ ফাওবীরকপা য়াগনি হায়রি।

ঐখোয়গা শাগোন্নদুনা লাকপা কলচর শিথরক্লিবসি য়োকখৎপা তঙাইফদে ঃ কেএসঐচ জুগিন্দ্রো

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৪ (এজেন্সি) : ইরমদম মণিপুর অসি লাইনা থাবা লৈবাক অমনি হায়না মীওই কয়ানা হায়নরি। ঐখোয় মীওইবনা কলচরগা শাগোন্নদুনা চৎলিবনি। ঙল্লিঙৈ মতমদগী ঐখোয়গা শাগোন্নদুনা লাকপা কলচর কয়া হৌজিক্কী মতম অসিদা শিথরক্লিবা অসি য়োকখৎপা তঙাইফদে হায়না ই জেদ সি সি কোলকটাগী মেম্বর কেএসঐচ জুগিন্দ্রোনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি মণিপুর কলচরেল রিছার্স সেন্তরনা শিন্দুনা নোংমগী ওইবা ফেষ্টিভেল ওফ খোংজোম পর্ব ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেন্দা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখিবা কে এস ঐচ জুগিন্দ্রোনা হায়, লমদমসিগী আর্ট ফোর্ম কয়াদা অহোংবা লাক্লিবা অসি ঐখোয়গী লাইবক থীনিংঙাইনি, হোংলক্লিবা আর্ট ফোর্মশিং অসি মতম চানা ঙাকথোক্লবা হোৎনহৌগদবনি।

আর্ট ফোর্ম অমা ওইরিবা খোংজোম পর্ব, পেনা, ৱারী লীবদা হান্নগী অশেংবা মশক অদুদগী মাংশিল্লিক্লি। মসিদা লমদম অসিদা লৈরিবা লূপশিংনা য়োকখৎনবা চংশিল্লক্লিবা খোঙথাংশিং অসিদা ঐখোয় পুম্নমক্না পূক্লিং থৌগৎতুনা মতেং পাংমীন্নসি হায়খি।

থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াখিবা মণিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সিলগী লাইফ টাইম প্রসিদেন্ট পি ঐচ গুনচন্দ্রনা ফোঙদোকখিবদা হোংলক্লিবা মতমগী ইচেল অসিনা লমদমসিগী আর্ট ফোর্ম কয়াদা পীরিবা চৈথেং অসিনা মরম ওইদুনা মমল য়াম্লবা ঐখোয়গী আর্ট ফোর্ম কয়া অমা মাঙশিল্লক্লি।

হৌজিক খোংজোম পর্ব হায়রিবা আর্ট ফোর্ম অসিদা হান্না লৈরম্বা শকফমদগী অনৌবা কয়া হাপচিন্দুনা চৎথরক্লিবা অসি লাইবক থীবনি। আর্ট ফোর্ম অসিদা খোংজোম পর্ব ফাইবোক ৱারী ফাইবোক হায়না পাঙথোরকপা অসিনা আর্ট ফোর্মগী অশেংবা মশক অদু মাঙহল্লি। মসি ঐখোয় খুদিংমক্না অশেংবা মশক অদু খঙমিন্নবগা লোয়ননা কাঙলোন কায়না চৎথবগী থবক অসি লেপ্পসি হায়খি।

থৌরমগী অখন্নবা মীথুং ওইখিবা ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সিলগী লাইফ টাইম সেক্রেটরি ওইরিবা এস ঐচ হেমন্তনা, খোংজোম পর্ব হায়বা আর্ট ফোর্ম অসি মাংশিল্লক্লবা আর্ট ফোর্ম অমনি হায়রদুনা মণিপুর কলচরেল রিছার্স সেন্টরনা লমদম অসিগী মমল য়াম্লবা আর্ট ফোর্ম কয়া মাঙশিল্লক্লিবা অসিদা অখন্নবা মীৎয়েং চংহন্নিংবগী অপাম্বা ফোঙদোকখি।

য়ু এফ ওগী মিংচৎ থীনবা তৌবা লৈতে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৪ (ঐচ এন এস) : ময়াং ইম্ফাল চরোইবুংদা লৈবা য়ু এফ ও গী হেদ ক্বার্টরদা য়ু এফ ও গী থৌমীশিংনা হাংলিবা রিলিফ কেম্পতগী কম্মিটিগী মীওই ৫ না চেঙ হুরাল্লি হায়বগী মতাংদা এল কোন্দুম্বা, কে ঐচ জয়েন্ত, ৱাই লোলিন্দ্রোনা ফোঙদোরক্লিবা ৱাফম অসি য়ুম্ফম য়াওদবা অরানবা ৱাফমনি। মসিগী মতাংদা ময়াং ইম্ফালদা হাংলিবা অরাম্বাই তেঙ্গোল য়ুনিটকী মীওইশিং অমদি ক্লবশিংগী মমাংদা চেঙশিং অসি মখোয় মশানা হুরানবনি হায়না খুৎয়েক পীদুনা মশাগী মরাল য়াজখ্রবনি। মখোয়বু মশক মমিং তাক্লবা হোৎনবদা য়ু এফ ও গী মীং পনবা খক্তনি। য়ু এফ ও বু মিংচৎ থীনবা তৌখিবা লৈতে হায়না য়ু এফ ও চরোইবুং হেদ ক্বার্টরগী জেনরেল সেক্রেটরিনা ফোঙদোরক্লি।

ভেক্সিন কাপথোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৪ (ঐচ এন এস) : নৈনশঙ ক্লবকী চহীগী ওইনা পাঙথোক্তুনা লাকপা প্রোগ্রাম অমা ওইনা ঙসি ক্লব অসিনা কোনবা য়ুমশিংদা লোয়রিবা হুই হৌদোংশিং এন্টি রেবিজ ভেক্সিন কাপথোকখ্রে। ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম অদুদা পুন্না হুই হৌদোং ২৫০ হিদাক কাপথোকখি হায়রি।

অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৪ (ঐচ এন এস) : ঙাথেম অপোকপা শেমগৎ শাগৎ লূপকী লুচিং পুরেল ওইবীরম্বা ওজা ঙাথেম রাবৈচন্দ্রনা মার্চ ২৭ তা খঙহৌদনা লৈখিদবদা শাগৈ অসিগী অহল ইবুংঙো ঙাথেম তোম্বীনা মীফম মপু ওইদুনা অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম অমা থৌবাল ক্যাম সিফাইদা লৈবা ইবুধৌ ইবেনধৌগী শঙলেন্দা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা লৈখিদ্রবা অসিনা লূপ অসিগীদমক লৌবীরম্বা থৌদাংশিং নৌহৌননা নিংশিংখিবগা লোয়ননা লৈখিদ্রবগী থৱায়না তাইবং মপুগী মনাক্তা ঈংনা চিক্না লৈরুনবা মিনট ২ তুমিন্না লেপ্পুনা থৌনিজখি হায়রি।

ꯁ꯭ꯄꯣꯀꯦꯟ ꯏꯡꯂꯤꯁ
SPOKEN ENGLISH
FOR GENERAL CLASSES AND SPECIAL CLASSES FOR ONLY ONE PERSON
FOR SENIOR AND STUDENTS (OFFLINE OR ONLINE)
GLOBAL SPOKEN ENGLISH AND DOT COM COMPUTER
GOURAHARI MARKET, BEHIND POLOGROUND, NEAR HOTEL KHRISTINA PAONA BAZAR, IMPHAL
CLASS TIMING : 5:15 AM TO 6:30 AM, 6:30 AM TO 8:00 AM, 11:00AM TO 12:30 PM, 3:00 PM TO 4:30PM, 5:00PM TO 6:30 PM.
INSTRUCTOR : SIR TEJKUMAR (TEACHING SINCE 1987)
PLEASE CONTACT : 8132904426
HL-B/8674/3-29(April)-1-31(May)



ꯅꯥꯆꯣꯝ ꯑꯦꯗꯨ ꯐꯥꯎꯟꯗꯦꯁꯟ
NACHOM EDU FOUNDATION
Foundation of Future
NEET/JEE/IIT
NEF
Our Students Shine again in JEE MAINS (Jan session) 2024 with Highest Score of 98.14%ile
15 out of 19 Students Score more than 80%ile
5 Students Score 90%ile and above.
Our Results in JEE MAINS and Advanced IIT in 2023
AYEKPAM LANKHONBA
98.18%ile (State Topper)
NIT Calicut
HAOBIJAM VIVEKANANDAGIRI
IIT Kanpur
NINGTHOUJAM AANGANBA
IIT Patna
REGISTRATION OPEN NOW
> Crash Course and Mock test Series for NEET Commencing from 15th March 2024
> 50 days Special course for CUET UG 2024 commencing from 15th March 2024
> Achievers Batch for Class XII (NEET & JEE MAINS) from 1st April 2024
For more details contact :
9402979552 | 8729948874
3rd Floor, M/s L.K. & Sons' Apartment, Kwakeithel Thokchom Leikai
HL-B/8593/2,4,6_Mrch_Alt.

BEFORE THE OATH COMMISSIONER: MANIPUR AT IMPHAL

ꯑꯦꯐꯤꯗꯦꯕꯤꯠ / AFFIDAVIT

We, (i) **Laikangbam Satyabrata Singh**, aged about 50 years, and (ii) **Lourembam Loteeka Devi**, aged about 47 years, a resident of Uripok Achom Leikai, P.O. Lamphel, P.S. Imphal, Imphal West District, Manipur, do hereby make Oath and solemnly affirm as under :-

1. That, we are bonafide citizen of India by births having a residence at the above mentioned place. This is true to our knowledge.
2. That, we are the parents of **Henthoiba Laikangbam Luwang** who was born on 12/07/2010. This is true to our knowledge.
3. That, now we would like to change our son's name as **Henthoiba Laikangbam Luwang** in place of **Himadri Laikangbam** to avoid inconvenience in further. This is true to our knowledge.

Verified that the contents of the above paragraphs of this Affidavit are all true to the best of our knowledge and belief and nothing material has been concealed therein.

Dated/Imphal:
The 3rd April, 2024

Signature of Deponent
1. L. Satyabrata Singh
2. L. Loteeka Devi

By: L. Sureshkumar
Advocate
High Court of Manipur

Thokchom Bimol Singh
Oath Commissioner (Judicial)
Imphal East District, Manipur
Regd. No. 562/2024

HL-P/10372/05 Apr.

ꯊꯕꯛꯀꯤ ꯄꯥꯎ/EMPLOYMENT NEWS

1. Police Recruitment 2024.mahait.org (17471 Constable Posts) Apply Online
Maharashtra State Police has published recruitment notification of Total 17471 Vacancies of 9595 Police Constable , 1686 Police Constable Driver, 1800 Jail Constable, 4349 Armed Police Constable, and 41 Police Constable Bandsman posts in Maharashtra State Prison Department. Eligible Interested candidates should apply online for Maharashtra Prison Department Jail Constable 2024 through Official Online Portal policerecruitment2024.mahait.org from 5th March 2024 to 31st March 2024. The last date for submission of application is extended up to **15th April 2024**.
Eligible candidates should apply online for Maharashtra Police 17471 Constable Posts through policerecruitment 2024.mahait.org

……

2. SSC JE Exam 2024, 968 Posts, Notification, Application Form
SSC JE Notification 2024 Pdf, Apply Online Link, Vacancy, Exam Date, Age Limit, Qualification and Full details available in the page. The Staff Selection Commission offers a great career opportunity for Fresher Engineering Graduates and Diploma Engineers for selection of Junior Engineers various Ministries, CWC, CPWD, Departments of Posts, MES, Farakka Barrage Project, BRO, CWPRS, Naval and NTRO Organizations of the Central Government of India. The SSC Junior Engineer posts are Group 'B' (Non-Gazetted), in Level-6 (Rs 35400-112400/-) of pay matrix of 7th Central Pay Commission.
The SSC will hold an open competitive computer based examination for recruitment of Junior Engineers (JE) posts in various Central Government Organization / Department Vacancies in 2024-25. The last date for registration of SSC Junior Engineer 2024 is **18th April 2024**.
* Eligible candidates are required to be submitted in online mode only at SSC Official website (**ssc.gov.in**).

……

3. DSSSB Advertisement No 06/ 2024 Apply Online | 414 Pharmacist, Nurse, Driver, Technician Posts
DSSSB Advertisement No.06/2024 Combined Examination for recruitment to the post of Lab Technician, Pharmacist, Junior Pharmacist, Draftsman Grade III, Store Keeper, Store Supervisor, Auxiliary Nurse Midwife, Assistant Sanitary Inspector, Driver, Staff Car Driver (Ordinary Grade), Driver (LMV) and Staff Car Driver positions in various departments. The DSSSC Vacancy Notice Advt No. 06/2024 online registration made through dsssbonline.nic.in from 21st March 2024 to **19th April 2024**.
* Eligible candidates can apply online through the DSSSB Online Portal (dsssbonline.nic.in)

……

4. UPPSC Recruitment 2024: 2535 Vacancies, Eligibility, Online Form, Notice
UPPSC Notification 2024 Free Job Alert for both Male and Female Indian Citizens. The UPPSC (Uttar Pradesh Public Service Commission) has released the Recruitment Notification for 2024. This notification is open to both fresher and experienced graduates, medical graduates, engineers, ITI, diploma holders, and candidates with a 12th pass qualification, offering positions in various government departments and services across the state of Uttar Pradesh.
Uttar Pradesh Public Service Commission (UPPSC) is hiring for 2535 positions in the Medical Officer Grade II, Prohibition and Social Uplift Officer, and Regional Tourism Officer/Publicity Officer roles. They're looking for eligible Indian citizens to apply online. You can register on the UPPSC official website (**uppsc.up.nic.in**) starting from March 15, 2024. The deadline for applying online is **April 16, 2024**.

……

5. RRB Technician Notification 2024 Apply Online link [9144 Posts]
RRB Technician Recruitment 2024 Notification Out, Apply online for 9144 vacancies, Registration starting from 9th March to 8th April 2024. The Government of India, Ministry of Railways, Railway Recruitment Boards (RRBs) has issued a suggestive Centralised Employment Notification (CEN) for Technician Vacancies across all Railways. On January 31, 2024, Indian Railways published a Tentative Timeline Notification for Technicians. According to the Official Notice, the RRB Technician Notification will be featured in Employment News Paper/ Rojgar Samachar in March 2024. The las date for submitting RRB Technician 2024 Online Applications is 8th April 2024. On this page, IndGovtJobs.in provides Free Job Alert of Railway Technician Official Notification Pdf, Eligibility, Age Limit, Salary, Selection Process, and instructions for Online Application.
* Eligible candidates who willing to apply for Railway Technician 2024 should apply online through any one of Railway Recruitment Board (RRBs) or RRB Technician Online Portal (**www.rrbapply.gov.in**) from 9th March 2024, and only one online application has to be submitted.
* **Last Date:** The closing date for the submission of the online application is **08/04/2024** (Monday) up to Midnight.

CROSSWORD-4098

1		2		3		4	■	5		6		7
	■		■		■		■		■		■	
8					■	9						
	■		■		■		■		■		■	
10							■	11				
	■	■	■		■		■	■	■		■	■
12		13				■	14	15				16
■	■		■	■	■	17	■		■	■	■	
18				19	■	20				21		
	■		■		■		■		■		■	
22							■	23				
	■		■		■		■		■		■	
24					■	25						

ACROSS

1. Ancient writing material(7)
5. Governed(5)
8. Gain knowledge(5)
9. Eight-sided figure(7)
10. Conundrums(7)
11. Dark brown fur(5)
12. Powerful(6)
14. Braved (anag)(6)
18. Slice a joint(5)
20. Spray can(7)
22. Everywhere(3,4)
23. Intolerant person(5)
24. Natural aptitude(5)
25. Sideboard with open shelves(7)

DOWN

1. Traveller to a shrine(7)
2. Tartan cloth(5)
3. Curling lock of hair(7)
4. Husband or wife(6)
5. Council tax(5)
6. Able to be read(7)
7. Thick, compact(5)
13. Large ape(7)
15. Long-lasting(7)
16. Long pillow(7)
17. Spanish capital(6)
18. Banter(5)
19. Young eel(5)
21. Indications(5)

Solution of 4159

1C	O	2L	U	3M	N	■	4H	5E	A	6R	T	7H
E	■	I	■	Y	■	■	■	X	■	A	■	E
8L	I	N	E	R	■	9A	P	P	A	R	E	L
L	■	C	■	R	■	E	■	R	■	E	■	P
10A	N	O	T	H	E	R	■	11E	E	R	I	E
R	■	L	■	■	■	L	■	S	■	■	■	D
■	■	12N	A	13R	C	I	S	S	U	14S	■	■
15C	■	■	■	E	■	N	■	■	■	U	■	16K
17H	U	18M	I	D	■	19G	I	20R	A	F	F	E
A	■	U	■	T	■	U	■	O	■	F	■	T
21P	E	R	H	A	P	S	■	22G	R	O	A	T
E	■	A	■	P	■	■	■	U	■	L	■	L
23L	U	L	L	E	D	■	24H	E	C	K	L	E

HUEIYEN SUDOKU

Hueiyen Sudoku-5458

					1	6		3
4				8	7	9		
				5		7		
	9		1					5
	8			2			7	
5					6		2	
		9		6				
		3	4	9				6
8		5	2					

Solution of 5457

2	6	3	8	4	7	9	1	5
5	4	1	6	2	9	7	8	3
8	7	9	5	3	1	6	2	4
9	3	2	4	7	8	1	5	6
4	1	8	3	6	5	2	7	9
7	5	6	1	9	2	4	3	8
6	8	7	2	5	4	3	9	1
3	2	5	9	1	6	8	4	7
1	9	4	7	8	3	5	6	2

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

[illegible]
ৱারী মমিং :
নুমিৎ কাপ্পা
পুয়া ৱারী লীবশিংগী ৱারীদা য়ুম্ফম ওইরগা
য়েকথোকপা :
সেমসন সলাম


পাখংবনা ইন্দু থদৎনবা কন্না হাইদৎলম্মী. অদুবু লাইগী ইন ওইবনা তৎপদী ঙম্মদে।
[illegible]
অকোনবদা ৱারদুনা পাখংবা অৱা চৈথেং খাঙদুনা লৈখিরম্মী।
[illegible]
ইপুথৌনা ইন্দা থুদুনা লৈখিবদা সুগুনু চকপি তুরেল ঈ ওইনা চেল্লক্লম্মী।
[illegible]